ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯦ ꯱꯷, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯵꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, মে ১৭, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৫৩ শুবা মশীং

মণিপুরদা মীয়ামগী নুমিৎ

মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম অসিগী ৰাহন্থোক লৈহন্নবা হোৎনসি

লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা মঙাল নাইবা ষ্টেট অমা ওইনা লৈরিবা কর্নাটিকা ষ্টেটতা কুমজা ১৯৫৭ তগী কুমজা ১৯৮৯ ফাওবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা টার্ম অহুল্লক পানখিবা রামাকৃষ্ণ মহাবালেশ্বর হেগ্রেনা দিমোক্রেসি হায়বসিদা মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নদবা য়াদে হায়বা ৰাখল্লোন অসি ফাওখিবগী খুদম ফংই। টার্ম অনীরক রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনসু চৎপদা নত্তনা কুমজা ১৯৯৮ দগী ১৯৯৯ ফাওবা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্বা লুচিংবা অসিগী মতমদা মীয়ামগা মহাক্কা উননবা অখন্নবা নুমিৎ অমা থম্লম্মী অমসুং মীয়ামগী ৰাকৎ তাবা হৌখি। মতৌ অসুম তৌনা টামিল নাডুদা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মরুডুর গোপালন রামাচন্দরননা চহী ১০ চূপ্পা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক পায়রিঙৈদসু মীয়ামগী ৰাকৎ তাননবা তোখায়বা নুমিৎ অমা থম্লম্মী। লুচিংবা অসিগী মতৌ লৌরদুনা আম আদমী পার্টি (এ এ পি) গী লুচিংবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা দিল্লিগী লৈঙাক পায়রবা তুংদা মীয়ামগা উনবগী নুমিৎ অমা লেপথোক্লগা থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুখক্তা নত্তনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী কেবিনেট মীফমসু মীয়াম মাঙদা পাঙথোকপা লৈখ্রে। অসুম্না মীয়াম য়াওদনা লৈঙাক অমা চলাইবা য়াদে, মীয়ামগী থবক তৌগে হায়রবদি মীয়ামগী অপাম্বা করিনো হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনবনা মরু ওইবনি হায়বসি খঙবগা লোয়ননা মীয়ামগা উনবগী থৌরমশিং লুচিংবশিং অদুনা পাঙথোক্লগা লাকখিবনি। অদুমকপু লাইবক থীবদি আম আদমী পার্টিগী ওইনদি অহানবদা কুম্মৈগুম্না মীওই লিশিং কয়াগা লোয়ননা থৌরম পাঙথোকখ্রবা মতুংদা থৌশিল হোংখিবদগী হৌজিক্তি মীয়ামগা উনবগী থৌরম অদু পব্লিক ওইনা পাঙথোকপা উখিদ্রে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মণিপুরদা থা খুদিংগী তাং ১৫ বু মীয়ামগী নুমিৎ অমসুং থা খুদিংগী তাং ১০ বুনা চীংমীশিংগী লুচিংবশিং অমসুং চীংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং উননবা নুমিৎ অমা কক্তুনা থমখিবা হায়বসি শীংনবা অমগা লোয়ননা মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নবা লৈঙাক ওইরগে হায়বগী ৰাখল্লোন্দা মহাক্কী লৈঙাক চলাইবনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

থাঙ্গৈশেংবদি মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম অসি হৌখিবা এপ্রিল ১৫ দগী হৌখ্রবনি। অদুবু হৌদোকপা নুমিৎ অদু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মণিপুরদা লৈতবা মরম্না মে থাগী ১৫ দা পাঙথোকপা থৌরম অসিনা মহাক্কী ওইনদি অহানবা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম ওইখি। থৌরম অদুদা মীওই লিশিং অমরোম্না কাঙবু ওইনা নৎত্রগা লন্নাই ওইনা লাক্লগা চাউরাকপা ৰাকৎ ৩৫০ রোম থাঙ্গৎলকখি। ৰাকৎশিং অদুগী মনুংদা খরনা মরন্নাই ওইবা ৰাফমনি। অদুগা খরা অমনা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুদা অমসুং অতোপ্পা খরনা সার্ভিস মেট্টরগা মরী লৈনবা ৰাকৎনি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা হায়দোক্তনা লৈরিবা দি পি সীগী ফল লাউথোকপীয়ু হায়বনচিংবসু য়াওরি। ময়ামগী মরক্তুদা লন্নাই ওইনা লাকখিবা অহল অমনা মহাক্কী ইমুংনা থেংনরিবা লায়রবগী চৈথেং অদুগী মতাংদা করিগুম্বা খরদং মতেং পাংবীনবা হায়রকখিবা অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা থৌজালগী মীৎয়েং য়েংবীখিবদুমক মশক থোকপা থবক অমনি হায়দবা ঙল্লোই। ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টর হায়বসি মথৌ য়াম্না চিনগনি। অসিগুম্বা চীফ মিনিষ্টর অমনা থা অমগী মনুংদা নোংমা কায়থোকপা অমসুং নোংমদুগী মনুংদা অয়ুক্কী পুং ১০ দগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা মীয়ামগা উনবা হায়বসি তরায়না লৌবা য়ারোই। চীফ মিনিষ্টর ওইরবসু মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়ামগা উননবা অখন্নবা নুমিৎসু থমদবা য়াদে। লৈবাক্কী থৌগায় পুবনিনা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা রেভিয়ু মীটিং পাঙথোক্তবা য়াদে। পুন্নমক অসিগী মথক্তা মশক নাইবা মীওই কয়াগসু উনদবা য়াদে। মতম-মতমগী থোরকপা থৌদোক-ৰাথোকশিং লোইশিন্ননবা মরী লৈনবশিংগা উনদবসু য়াদে। অসুম্না চিল্লবা চীফ মিনিষ্টরগী মতমবু মীয়াম্না ঈকায় খুম্নবীগদবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৰাফমদি চীফ মিনিষ্টর উনবা লাক্লিবা মীয়াম্না মখোয়গী ৰাকৎশিং অদু চেরোল ওইনা পীশিল্লম্বা নৎত্রগা চিলহায় ওইনা হায়রম্বশিং অদু করি করি থবক্তা ওন্থোক্লবগে হায়বা থা খুদিংগী ওইনা মীয়ামদা খঙহল্লবদি মীয়ামগী নুমিৎ থৌরমগী কান্নবা ফংলে হায়না লৌবা য়াই। য়াম্লবা হীরমশিং অদু মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং নৎত্রগা ওফিসল টিম অমনা খুদক্তা য়েংশিনগদবনি অমসুং মদুবু থবক্তা ওন্থোকপা য়াবমখৈনা ওন্থোকপা অমসুং য়াদবমখৈনা য়াদবগী মরমশিং অদু মরী লৈনবশিংদা খঙহনবীগদবনি। অমরোমদা মীয়াম্নসু ওইরোইদবা, থবক পাঙথোকপদা খুদোংচারোইদবা নৎত্রগা লন্নাইগী ওইবা মরম ইচা-চাদবা ৰাফমশিংদি নুমিৎ অসিদা পুখৎতনবা হোৎনবা চুমগনি। থৌরম অসিদি মীয়ামগী অশেংবা নুমিৎকী ৰাহন্থোক লৈহন্নিংই। মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম অসিগী ৰাহন্থোক লৈহন্ননবা হোৎনহন্নিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

সেক্রেটরিয়েট মমাঙগী লম্বী

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর

ইম্ফালগী সেক্রেটরিয়েট মমাঙগী লম্বী অসি ফনা পাকথোক্লবসু ভিজিটরশিংগী কারশিং অমদি অতৈ কারশিংনা লম্বীগী নাক-য়েৎতা পার্কিং পুরা ওইবনা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং ওটো, মেজিক অমদি বসনচিংবনা চৎপদা ত্রাফিক জাম ওইদুনতা লৈবনা মরম ওইদুনা লম্বী অসিদা অথু-অকায়গী ওইনা পুরকপা অনাবা কয়া পন্থুংফম য়ৌবা ঙমদনা লম্বীদা পুন্সি পিখম্নখিগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরক্লি। মরমদি লম্বী মতেক অসি লান্নবা হোৎনবদা সী এম বঙ্গলো মমাঙগী ত্রাফিক পোইন্ট ময়াদা অমুক লেপ, নিত্যাইপাৎ চুথেক্কী ত্রাফিক আইলেন্দদা অমুক পন্দুনা অথু অকায় অমত্তা নংনদ্রে। ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা মরী লৈনবশিংনা সেক্রেটরিয়েট মমাঙগী লম্বীদা পার্কিং ওইরিবা গাড়ীশিং অসিগী টেম্পরেরিবু ওইরবসু মফম চাবা য়েংদুনা পার্কিং অমা শেম্বীয়ু নৎত্রগা য়াইস্কুলগী লম্বী অসি পাকথোকহন্দুনা পেসেঞ্জর গাড়ী খুদিংমক মসিদা ফাওহল্লগা কৈশামথোংদগী কৈশাম্পাৎ ফাওবা হাইগৎহল্লক্লগা ইলেক্ট্রিসিটি হেদ ওফিস মমাঙদগী লাক্লগা নিতাইপাৎ চুথেক্কী লম্বী অসিদগী জোনষ্টোন স্কুল মমাঙ ফাওবা লাকহল্লগা মহৌশাগুম মাগী মাগী পার্কিংশিংদা অদুমক শীজিন্নহল্লবদি সেক্রেটরিয়েট মমাঙগী লম্বী অসিদা ওইরিবা ফীভম অসি খরা শাফগদ্রা হায়না খঞে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অথুবা মিৎয়েং চঙহন্নীংই।

অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্মা

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১। ‘‘বিশ্ব তাইবঙপানবনা কপ্পা কপ্পা লোইখিনি/নূংদা ইবা ঐখোয়না নোক্লা নোক্লা লৈহৌনি।’’ কবি কনানা হায়বনো?

২। ‘‘কোয়চেন চেল্লি ফি থোংদ্রবা/নুপীশিংনা/কোয়তাল তাল্লি ফিমু শেৎপা/নুপাশিংনা।’’ পরেংশিংসি ‘মঙদসু তাইবঙদসু’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবি কনানা ইবনো?

৩। ‘‘পানখৎলকপা থাজ/থুনা শিদোক্তুনা/থাশি ওনখ্রি/মহাক খঙমাল্লে/মফমসিগী অতিয়া/অহিংবা লৈবা য়াদে।’’ পরেংশিংসিনা রঞ্জিতা কোন্থৌজমনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। প্রেমচন্দগী ‘সপ্তসরোজ’ বু মণিপুরীদা ‘থম্বাল তরেৎ’ হায়না হন্দোকখিবদু কনানো?

৫। নৈন-ৰারেং ‘শৈরেংদসু ৰারেংদসু’ হায়বদুগী অইবদু কনানো?

ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

ক্যুইজ নম্বর ৫০ অসিগী অচুম্বা পাউখুম অমত্তা য়াওদবনা ক্যুইজ অসি অমুক হন্না পাউখুম পীবিরক্লবা মীয়ামগী মফমদা থমজরি।

মী শিরে থাবল লোইরে

চাইথোরকপা ৰাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

সনা লৈবাক মণিপুরনি হায়নরম্বদু ঙসি করি ওইরগে হায়বা হৌজিমক্কী ওইনদি হায়বা ঙমদে। মতম অমদদি থকসি-খাসি লৈবদা, অহল-লমন কিজবদা হায়নরম্মী। ফজরবা নাৎ-শক্তমগী নুংঙোনবা কয়াগা লোয়ননা লমদম অসিগী ফজরোল কয়া অদুদা লৈবাক মীয়াম পূম্বনা নুংঙোন্নখি। মপান লমগী মীনা লমদম অসিগী মীয়ামগী পুন্সিরোল কয়াদা তশেংনা মমিৎ লাউথোক্তুনা য়েংনরম্মী। নহা অনী লম্বীদা মরৈ য়েৎনরম্বদা খৎনদ্রিঙৈ, খূৎ থানদ্রিঙৈ অহল অমনা উবগা, হে করিনো মরৈ য়েৎনরিদো, তোকও, চৎলো নয়ূমদা হায়বদা লেং কোন্নরগা শাওনবা ফনখি। ময়ূমদা চৎনখি। অহল মৰা য়াম চৎনরম্মী। ঙসিদি অহল অমত্তগী ৰা কনা অমত্তনা তানদ্রে। অহল মচিন মেনখ্রে।

মণিপুর ইথক-ঈরাংগী লৈবাক অমা নোংমা নোংমগী ওল্লক্লি। ঐখোয়গী নাৎকী ওইবা শক্তম কয়া ঙসিদি ঈরাংলোমদা মমাই তপ্পা তপ্পা লৈশিল্লক্লি। থোইদোক্লা অফবা খুদম অমদি নত্তে। ঙসিদি ঐখোয় নুংঙাইনা অনৌবা লাক্লিবা অহোংবা অসিদা লুপ্তুনা লৈরি। মসিগী মাঙজবা অমদি নুংঙাইতবদি চহী খরগী মতুংদা শোয়দনা খুন্নাই অসিনা ফংগদৌরিবনি। ঙসিগী হৌরক্লিবা নহাশিং অসি মতমসিগী নোংলৈনা লোয়না হুম্বদৌনা তৌরে। অহল মনাক ফমদুনা লৌশিং ৰারী তারম্বা তোকখ্রে। লমদমসিগী অহৈবা অইবা কয়ানা ইবা লাইরিক নোংমতা লমাই অমা হায়দোক্নদ্রে। তোঙান তোঙানবা কম্পেনি কয়ানা পুথোকপা মশক ফজবা মোবাইল ফোন অমমম পায়দুনা ফমুংদা হিপ্তুনা য়েংদুনা লৈনরে। ফমুংদা মরুপসু মপাংসু, ইশু শুনা ৰারী শান্নরে। ফমুংদা শাবা ৰারীনবু কয়া য়াম্না ফরমগনি। অফবা নহাশিংনা মোবাইল ফোনবু মরম চানা অমদি মতম চানা শীজিন্নে। হৌজিক্তি লাইরিক হৈবা হৈতবা, ফোন অমমম লোয়না পায়নরবনিনা মালেমসিগী খোগোপ্পা লোয়না উবা য়ারবনিনা করি য়েংলিবা, নৎত্রগা কনাগা ৰারী শারিবা কনানসু হায়বা ঙমদে, ফৈজুপ অথাবা চিংখৎতুনা মোবাইল য়েংদুনা লৈনরে। লমহাংদা, লৈকোলদা চঙদুনা অশং-অমান য়েংদুনা মিৎ ইংহনবা তৌখিদ্রে। নুপী থিরবা নহাদগী অহল ফাওবা, ময়ূম পাল্লবা মৌ নহাশিং ফোননা চেনমাঙ-চেনমাঙ মাঙনরে। মৌ অমা মাঙখ্রে হায়না পাউচেদা ফোটোগা কোন্ননা হাপ্পরক্লিবা ময়ামসি মোবাইল ফোন শীজিন্নদ্রদি মৌনহা মাঙবগী পাউসি খরা তৌইরমদৌ মান্দে। হৌজিক্তি মৌনহা অমা মাঙখ্রে হায়বসিনা অরেম্বা পাউ অমা ওইনরে।

মমাঙঙৈ নুপী/লৈশাবীগী খুদাং পায়বা য়াদে হায়বা ৰা লৈরম্মী। হৌজিক্তি খুদাংদি অরাইবনি। হায়নীংদ্রে। নুপীদা কদাই ফাওবা য়েংবা য়াবা, নুপীনসু ময়ূম পাল্লবদি করি তৌগদবা অমত্তা খঙনদ্রে। শেৎনীংবা শেৎপা, চানীংবা চাবা, তৈনীংবা তৈরে। ফনেক খোইদোম শেৎপী, খোইথক শেৎপী হায়বা অমত্তা লৈত্রে। লৈশাবীসু মৌসু ইমান মান্নরে। নুপী হায়বসি খূউ মথক য়ৌনা য়েংহৈদে হায়বা ৰা তোক্লখ্রে। মতম অমদা চহী তরা হেন্না নুংশিনরক্লবা লৈশাবী-পাখঙ ফাওবা মিৎকা-মিৎকা মিৎচানবা ফাওবা ঙম্নদে। মরু লুকথরগা, লুরাক্লনা য়েংনৈ। মদুগী নুংশিবগী মহাওদু ঙসিদি নহাশিংনা খঙবা ঙমদ্রে। কলচর হায়বদু শ্বাইদা লৈরিবনি, ঙসিদি কলচর হায়দু নুংশিৎতা পাইখিবদৌনা তৌরে। মৌনি, লৈশাবীনি খঙনরম্বা ফিজেৎ ঙসিদি চপ মান্নখ্রে। ফনেক খোইদোম মাঙখ্রে। ৰাহৈদুগী ৰাহন্থোক ফাওবা খঙনদ্রে। মকোক্তা ফি কুপ্পা কাউরে, চৎনবীনি হায়বা ফাওবা খঙনদ্রে। মৌনা মশম অঙাংবা, অশংবা, হৰাই মচু শংজিন্দুনা খোঙগ্রাউ শেৎচিল্লে। লৈশাবী মচা অমগা চপ মান্নরে, খঙ্গ দাকফম খঙদ্রে। মমিৎ ঙাওবা নহা লমচাশিংদদি মখোয়গী মতৌদুদা মতোন লোয়না থোক্লরে। অদুনদি তাহৈদবা ৰারী-পাউ কয়া তারকপদা থোইদোক্লা ঙম্নীংঙাই ওইদে।

থাবল চোঙবা হায়বসি লমদম অসিগী য়াম্না লেমজবা দান্স মখল অমনি। অমরোমদা মসি ঐখোয়গী য়েলহৌঙৈগী পুন্সিরোলদা লৈখ্রবা কলচরগী ফজরবা মশক অমনি। অদুবু নোংমা-নোংমগী থাবল চোঙবগী ফীভমসু হোংলক্লি, ৰাখল্লোনসু হোংলক্লি। করিগী থাবল চোঙলিবনো হায়না লৈশাবী মচা, পাখঙ মচা অমদা হংলুবদা অশেংবা পাউখুম অমত্তা ফংবা ঙল্লোই। থাবল চোঙবসি লৈশাবী পাখঙ শকখঙনবগী থৌরম অমনি হায়না লান্নকা খুল্লকপসু য়াই। করম্বা মতমদা থাবল চোঙগদগে হায়বসু খুন্নাই মীয়াম অসিনা খঙনদবগুম তৌরে হৌজিক্তি। ইশম শম্না।

লমদম অসিগী সী এস ও/ষ্টুদেনন্ট ওর্গেনাইজেসন কয়ানসু য়াওশঙ নুমিৎ মঙানিদগী হেন্না থাবল চোঙবিগনু হায়না আপিল কয়ারক চহী খুদিংগী তৌবা থেংনৈ। অসিমক্তদা লৈকায় খরগী লৈশাবীশিংনি মতম ইচা চাদনা *থাবল চোঙজগে* হায়না পাউচেগী খূথাংদা হায়জবা ৰারোল এদভর্টিজমেন্ট কলমদা ফোঙবা থেংনৈ। হায়জবগী ৰানি, কনানা মখোয়দা পার্মিসন পীবগে হায়বদুদি অমুক্তা ফোঙলকপা থেংনদে। পাউচেদা লুপা ১০০/২০০ তিংলগা অমুক্তং হাপখ্রবদি য়ারে হায়বগী মতাগুম থাবল হেক্তা শিনবদা তেংবাঙলিবা লৈকায়গী ক্লব, নহাশিং, অহলশিং পুন্নমক অসিগী ৰাখলসিসু অঙকপা অমনি হায়বদা থোইদোক্লা লাল্লোই হায়বসি মায়কৈ কয়াদগী হায়নরকপা থেংনৈ। চোঙদবা য়াদবা, তৌদবা য়াদবা থৌরম অমগুম হোবে-হোবে হেক্তা থাবল শিনবসি মতুংদা তৌদবনা ফৈ। মমাঙঙৈদগী হৌনা থাবল চোঙবসি মী য়াম্না খৎনগল্লি। মমাঙঙৈ মতম অমদদি থাঙনা য়ান্নবা, থিন্নবা তোয়না তৌই। য়াওশঙ অমুমুক লাকপদা মী কয়া অশোক অপন নংনবা, শিনবা অদুম য়াওই। মসি ইখঙ খঙনবা ৰানি।

কুমসিদি থাবলসি খরসু ঙন্না চোঙবা হৌনখ্রে। ইলেক্সন ময়াগা ওইবনে, মচি মচি খুদিংদা থাবল য়াম্না ঙন্না চোঙনখিবগী পাউ তানখি। মদুদগী মখা অসুম শমথরকপনা হন্দক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা থাবল চোঙফমদা নোংমনা কাপ্পদগী নহা অমা শিখিবা মদুগী মখা তারকপদা লম্বী থিংবা, ৰাথোক চাওথোরকপা কয়া থেংনখি। মী শিবা য়াওরবনিনা লৈবাক মচাসা, লৈকায়গী লৈশাবীনা খৎলি-খৎলি থাবল চোঙগে হায়রকপদা থিংবিরো। লোইশিনবা য়ারে। মী হেক শিনদ্রিখৈ থাবল লেপ্তুবগী ৰাসি তোল্লসি। ৰাখলসি খরা খরা খন্থনদুনা থাবল চোঙবগী কান্নবা অমদি কান্নদবসু থিরসি। লৈকায় অমদা কুম অমা থাবল চোঙহৌদবদা লৈকায়দুদা থোইদোক্লা অমাঙ-অতা থোক্লদ্রবদি চোঙদ্রসু য়াই। মাইবি লাইফাও ফাওবদা লৈকায় অদুগী লৈশাবীশিংনা লাইদা লৈ অঙাংবা কৎত্রবদি, অথেনপোৎ কাদ্রবদি মীশি মীনা থোক্কনি হায়বদুমক্তি থাবল চোঙহৌদবা লৈকায়দা অহল মরি শোকই, নহা মরি শোকই হায়বা ৰা কৈসু লৈতবনিনা মতাং মতম চাদনা থাবল চোঙবসি তোক্লরসি।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংলিবসি, হোংলক্লিবা মতমগী মতুং ইন্না ঐখোয় খুদিংমক ইশাগী শক্তম ঙাক্লা অমদি লমদম অসিগী মাঙলমচৎতগী লৈরক্লবা নাৎ শক্তমগা শাগোন্নবা কয়া অদুগী ৰাহন্থোক খঙনা হোংবা চুম্মী। নাটকা শাগোন্নবা থৌরম খুদিংমক পরম চুম্না থৌরমশিং পাঙথোক্লবা চুমগনি। হোংলক্লিবা মতমগী চৎনবীনি হায়দুনা পংতৌদা তৌশিনবসু চুমদে। মদুনা মমৈথংদা ঐখোয় ইশাবু শক খঙজরক্তবগী চাউরবা মাঙজবা অমা শোয়দনা লাক্কনি। পোইরৈ য়েংনা হোংগদবনি। মতমগী ইহুল অমদি ইথিলনা ঐখোয়গী পূক্লিং ৰাখল য়াওনা হোংহনখিবদি চুমলোই। ৰাফম অসি হায়দুনসু ঐখোয় হান্নগী ফীভমদা হনজিল্লসি হায়বদি নত্তে। ৰাওংগা চুন্না করম্না ঐখোয় কদাই ফাওবা চঙশিনগদগে হায়বা অদু খনবা চুম্মী হায়বনি। ঐখোয় ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং কাউথোকপা, ঐখোয়গী ইরমদম শক খঙজদবা, মহৈ মশীনমক্তা তল্লবসু লমদমসিগী শক্লাইবা, খুন্নাই মীয়ামগী কথোক্তুনা লাক্লবা অথৌবা কয়াগী পুন্সি ৰারী তম্বা অমদি লমদম অসিগী য়েলহৌঙৈগী পুন্সিরোল পাড়া ওইনা তম্বসিসু চাওখৎতবনি হায়না খল্লগদি লানগনি। মহাত্মা গান্ধীসু খঙসি, টিকেন্দ্রজিৎ/পাওনা/থাঙ্গাল/নরা সিংহ/ইরাবতসু খঙনবা হোৎনসি। শগোল কাংজৈ করিনো খঙদনা মালেম কোয়রুবদা চোপ্তুনা হল্লক্কনি। মণিপুরদা য়োৎ শুংলম্মী, থাঙ, থাঙজৌ, য়োৎপাক মখল কয়াগী য়োৎকী খূৎলায় শাদুনা শীজিন্নরম্মী হায়বা ফাওবা খঙনদ্রবদি করম্না মীরক তিনগনি। মীমাঙ থোকপা তাবা নৎত্রা?

দোক্টরেট দিগ্রি হুরাল্লম্বা হঙ্গেরিগী প্রসিদেন্ট, ওলেম্পিক চেম্পিয়ন পাল স্মীট

—লৈশাংথেম অজিৎ—

লাইরিক তম্বগী খ্বাইদগী ৰাংবা দিগ্রিদি ডোক্টর ওফ ফিলোসোফি হায়বা অসিনি হায়বা মীয়াম্না লৌনরি। কনাগুম্বা অমনা ডোক্টর ওফ ফিলোসোফি অমা ওইনবা হোৎনবগীদমক করিগুম্বা হীরম অমদা মাষ্টর দিগ্রি পায়রবা মতুংদা য়ুনিভর্সিটি অমদা রেজিষ্টর তৌশিন্দুনা মহাকপু লমজিংবীনবা প্রোফেসর অমগী মখাদা থিজিন খোৎচিনবগী থবক অসি চথৈ। ইন্দিয়াদা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা ডোক্টরেট দিগ্রি ফংবা মীওই ৪৫,৫৬১ নি। অমরোমদা জর্মনিগী য়ুনিভর্সিটিশিংদা চহী অমদা ডোক্টর ওফ ফিলোসোফি ফংবা মহৈরোয় ২৭,০০০ নি। মসিগী মথক্তা তোঙান্না মীরৈবাক্কী জর্মনিদা তম্বা মহৈরোয়শিংগী ওইনা মশীং থিবদা ৪০০০ নি।

করিগুম্বা ‘ৰাফম’ অমদা দিগ্রি অসি ফংনবা মীওই কয়া অমুক থিজিন খোৎচিনবগী থবক পায়খৎতুনা, ঈ-পাউ খোমজিল্লি, দরকার লৈবা মফমশিংদা চৎতুনা প্রেক্টিকেল ওইবা মথৌশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা সাইন্সকী লমদা ওইরগনা এক্সপরিমেন্ট কয়া অমুক পাঙথোকই। রেকোর্দশিং খোমজিল্লি, দেটাশিং ইশিল্লি অমদি মহাকপু লমজিংবীরিবা ওজা অদুগা তান্নরগা মহাক্লা ফংলক্লিবা মচাকশিং অদুগী মরমদা খন্ন নৈনৈ। মতৌ অসুম্না সাইন্সকী মরমদা হ্যুমেনিটিগী হীরমদা থিজিনবশিংনা খেন্না খেন্নবা মওংদা লমজিংলিবা অদুনা পাউতাক পীবগী মতুং ইন্না থৰায় য়াওনা কন্না মখোয় মখোয়গী পান্দম অদু ফংনবা হোৎনৈ।



ডোক্টরেট ফংনবা রিছার্স তৌবগী ‘টোপিক’ অসি মীওইবদা খক্তা নত্তনা শা-ঙা অমসুং উপাল-ৰাপালদা হায়বদি মালেম অসিদা কান্নগদবা ঙাক্তনি হায়বা লৈবাক মীয়াম্না খঙনরি অমদি অসিগুম্বা মহৈ মশীন হৈরবা অৰাংবা থাক্কী মীওইশিং অসিবু মীয়াম্না ইকায়খুম্নরি। হৌজিক্কী মতমদা অসিগুম্বা ডোক্টরেট ফংবগী হোৎনবা অসিদা মখল মখা কয়াগী নমথাক তৌবগী চৎনবী কয়া অমুক চত্থরে হায়বা লৈবাক মীয়াম পূম্বনা খঙনরক্লে। নক্লবা মরী-মতা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা য়ুনিভর্সিটিদা প্রোফেসর ওইবা অমদি শেল য়াম্না পাম্বা মীওইশিংনসু য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ওইদুনা অচৌবা ফম পায়বা পুকচেল শেংদবশিংনা অসিগুম্বা নমথাক্তা ডোক্টরেট পীবগী খুদম চাংদম কয়া অমুক ফংলে। উত্তর প্রদেশকী মফম খরদা, ঝরখণ্ডদা অমদি বিহারদা লৈবা য়ুভির্সিটি খরদা ডোক্টরেট দিগ্রি য়োনবগী থবক কয়া অমুক এজেন্ট থাদোক্তুনা চত্থরে হায়বা ইন্দিয়া পূম্বনা খঙনরবা ৰাফমনি। মীয়ামদা কান্নবা কয়া অমুক পীবা ঙমদবা ৰাফমদা ইবা থেসিস ওইরবসু পুকচেল শেংনা মরীক চুম্না ইশামক্লা ইজবা থেসিস অদুবু মীয়াম্না ইকায় খুম্নরি। চহী ৫০ রোমগী মমাঙদা য়ুনিভর্সিটি অমগী রিছার্স তৌবা রিছার্স স্কোলরশিংগী হোষ্টেলদা চহী অনীরোম লৈমিন্নদুনা মতম অদুগী রিছার্স তৌবশিং অদু কয়া য়াম্না লাইরিক্তা থৰায় য়াওবগে, লাইরিক কয়া য়াম্না হৈবগে, হোৎনবা কয়া য়াম্না কনবগে হায়বগী তমজনফম ওইবা মগুনশিং উজরে। মখোয়গী মরক্তা চহী ৪/৫ হেন্না চঙবা অমদি চহী অনী অহুমদা মখোয়গী থবকশিং অদু মপূং ফাখিবসু য়াওই।

য়ুনিভর্সিটি খরদদি মপান লমদগী চহী অহুমগী দিপুটেসন লাকপা ওফিসরদা চহী অনীগী মনুংদা মহাক্কী গাইদ অদুগা য়ান্নরগা ডোক্টরেট দিগ্রি পীখিবদা চহী অহুম মরিগী মমাঙদগী রিছার্স তৌদুনা লাকপা স্কোলরশিং অদু শাউবনা মৈ হৌই। মসিমক লমদম অসিগী য়ুনিভর্সিটিশিংদা থোক্লিবনি। অসিগুম্বা দোক্টরেট ফংবদা মীনম্মী, ওইদবা তৌদুনা, নমথাক তৌরগা ফংখিবনি হায়দুনা হঙ্গেরিগী প্রসিদেন্টবু মহাক্কী ফম থাদোকহনখি। কুমজা ২০১০ গী ওগষ্ট ৬ তগী কুমজা ২০১২ গী এপ্রিল ২ ফাওবা হঙ্গেরিগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা, ওলেম্পিক্কী ফেন্সিংদা সনাগী মেদল অনী ফংখিবা পাল স্মীট মহাক্কী ডোক্টরেটকী থেসিস অদু অশেংবা নত্তে, অতোপ্পদগী শিনজিনবা য়াওই হায়বা মরাল শিরকপদগী লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্টগী ফম থাদোকহনখি। কুমজা ১৯৪২ গী মে থাদা পোকখিবা পাল স্মীট কুমজা ১৯৫৫ দগী ফেন্সিং শান্নবা হৌরক্তুনা লৈবাক অদুগী ইনিদভিজুয়েল টাইটল অনীরক ফংলবা মতুংদা হঙ্গেরিগী নেসনল টিমগীদমক খনগৎতুনা কুমজা ১৯৬৫ দগী ১৯৭৭ ফাওবগী মনুংদা ১৩০ রক লৈবাক অদুগী মহুৎ শিন্দুনা অন্তরজাতিগী থাক্তা শরুক য়াখি। মসিগী মনুংদা ফেন্সিংগী ইপি টিমদা কুমজা ১৯৬৮ দা মেক্সিকোদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমস অমসুং কুমজা ১৯৭২ দা ম্যুনিক সহরদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসদা সনাগী মেদল ফংখিবা শান্নরোয়নি। মহাক ৱর্ল্ড ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ্তসু টিম অমসুং ইন্দিভিজুয়েলগী থৌরমদা সনাগী মেদল ফংখি।

শান্নবদগী পোত্থারবা মতুংদা হঙ্গেরি ওলেম্পিক কম্মিটিগী সেক্রেটরি চহী তরেৎ ওইখি। কুমজা ১৯৮৯ দা লৈবাক অদুগী ৰায়েল থৌদা পায়রম্বা রসিয়া মতম অদুদা সোভিয়েট লৈবাক্কী লান্মীশিং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদা কম্যুনিজমশিংগী লৈঙাক লোইখি। চহী অদুগী মহাক্লা হঙ্গেরি ওলেম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইখি।

পাল স্মীট স্পেন অমসুং স্বিটজরলেন্দা হঙ্গেরিগী এম্বাসেদর অমুক পায়রমখি। মহাক্কী মতিক মগুণশিং অসিনা কুমজা ২০১০ দা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাউবা লৈঙাকপগী মফম ওইরিবা প্রসিদেন্টগী ভোট লেপ্পদা মায় পাক্তুনা হঙ্গেরিগী প্রসিদেন্ট ওইখি। কুমজা ২০১২ গী জান্যুৱারী ১১ দা হঙ্গেরিগী প্রসিদেন্ট পাল স্মীটনা ডোক্টরেট ফংখিবগী থেসিস অদু মীঙোন্দগী শিন্দোকপনি হায়না হঙ্গেরিগী পাউচে অমনা ৱেবসাইদতা থাগৎলকখি। মহাক্কী থেসিস অদু বলগেরিয়াগী স্পোর্টস এক্সপার্ট নিকোলোয় জর্গ্রীভকী থেসিস অদুমক অর্থ হন্দোকপনি হায়না মরাল শিরকখি। পাল স্মীট কুমজা ১৯৯২ দা ডোক্টর ওফ ফিলোসোফী ফংখি। নিকোলোয়গীনা কুমজা ১৯৮৭ তা ফংখিবনি। প্রসিদেন্টগী ওফিসকী ৰারোল মতুংইন্না মখোয় অনী অসি মরুপনি হায়খি। অচুম্বা থিগৎনবা কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎহনবদা কম্মিটি অদুনা মার্চ ২৭ তা রিপোর্ট পীখৎলকপদা মহাক্কী থেসিস অদু নিকোলোয়গী থেসিসতগী অর্থ হন্দোকপনি হায়বা খঙলকখি। নুমিৎ নীনিগী মতুং হায়বদি মার্চ ২৯ দা সেম্মেলৱেজ য়ুনিভর্সিটিনা মহাক্কী দাক্টরেট দিগ্রি অদু চৎনবা য়াদ্রে হায়না লাউথোকখি। নুমিৎ মরিনিগী মতুংদা এপ্রিল ২ দা মহাক লন্নাই থবক অমদগী খুদোংচাদ্রে হায়না মীয়ামদা লাউথোক্তুনা প্রসিদেন্টগী ফম থাদোকখি।

অসুক মতিক মগুণ লৈরবা অফবা শান্নরোয়, ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল লৌবা ঙম্বা অফবা লৈঙাকপা অমসু ওইরিবা মমিং চৎপা নিপা অসিনা ডোক্টরেটতা মীহৌরুবদগী লৈখা তাখিবা অসি অচৌবা পড়া অমনি।